HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




শিজ হোস্পিটালগী শিজ আইক্যের ফাউন্দেশননা এন পি সী বি অমসুং ৬ (মণিপুর চেপ্টর), ৱাই এস দব্লিয়ু এ (উংলৌ) অমসুং এস ঈ সী এফ, নম্বোল ভিজন সেন্টরগা খূৎশম্নদুনা উংলৌ কাংজেবুংদা ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প পাঙথোকখিবা


থা লৈবাক্তা তাবা খোঙ্গুলগী মমি মুৎত্রিবা করিগীনো? ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ অসেম তাইচা
শিলোংদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘালয়গী ২১শুবা... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মশা-মশানা থবক তৌবা ঙমদ্রে হায়রবা ...
রেলৱেনা বন্দে ভারতকী থৌরমদা আর এস এসকী... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ জুবেনাইল ক্লব সগোলবন্দ তেরা ন্যু কছার রোদনা...


‘ৱিভিং এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর : মণিপুরস হেন্দলুম হেরিটেজ টু গ্লোবেল ফেশন’ হায়বা পান্দমদা গভর্ণরনা হৌদোকখিবা মনিটেক্স-২০২৫দা শক্লাইরবী আর্টিষান/ৱিভরশিংদা শক্তাক খুদম খুদোল তমদুনা পুক্লিং থৌগৎপা




Vol. 49, Issue No. 215 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, November 09, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# নোঙ্গৌবীনা ঈশিং ঙাইবগুম্না ঙাইরকখিবা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি বি এল শন্তোস শোয়দনা লাক্কদৌরি

হুইয়েন ব্যুরো



**মহাক লাক্কদবা নুমিৎতা বি জে পিগী এম এল এশিং থম্বাল শঙলেন্দা লাক্লবা পার্টিগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরিনা খঙহনখ্রে**

**ষ্টেট লৈঙাক শেম্বা-শেমদবগী ৱাফম লৈখাই তাবগা লোয়ননা শেম্লবদি কনানা লিদর ওইগদগে হায়বদুসু লেপথোক্লবা য়াই**

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মীখলদা সিট ৩২দা মায় পাক্লুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংখিবা বি জে পিনা লুচিংদুনা লিংলকখিবা লৈঙাক অদু ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা রিজাইন তৌহনখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী হৌরদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিডেন্টস রুল চলাইরকপদগী অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক হন্না শেম্লিংবগী ইথৌ লাংলক্তুনা নোঙ্গৌবীনা লাইজ-ঈশিং ঙাইবগুম্না লৈঙাক শেমহনবীরকপা খক্তা নত্তনা শেম্ননবগীদমক সেন্ত্রেল লিদরশিংবু খৌরাংনা ঙাইরকখিবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পার্টি অসিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) বি এল শন্তোস থা অসিগী ১২দা শোয়দনা লাক্লগনি হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌরে হায়রি।

রিজাইন তৌহনখ্রবা ষ্টেট লৈঙাক অদুবু লুচিংলম্বা য়াওনা পার্টি অসিগী এম এল এ ২০ হেনবনা মমাঙ থাগী অহানবা চয়োলদগী হৌরদুনা দেল্লীদা চৎতুনা সেন্ত্রেল লিদরশিং উন্নদুনা পি আর লৈঙাক্কী মহুত্তা মখোয়গী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীনবা তকশিল্লুখিবনি। অদুবু মণিপুরগী পার্টি অসিগী এম এল এশিংনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নবা এপোইন্টমেন্ট লৌবীয়ু হায়না পার্টি অসিগী নেশনল স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা নোর্থ-ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্রগা উন্নদুনা হায়জখিবদা সম্বিত পাত্রগী মায়কৈদগীদি পার্টিগী এম এল এ ২০ হেন্না লাক্লবসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

হোম মিনিষ্ট্রিনা ‘সূ’ তৌনরিবা কে এন ও ১সুং য়ু পি এফকা নুমিৎ নীনি চূপ্পা মীফম পাঙথোকখ্রে

# হোম মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি শেম্বদা শৌগৎলোই হায়রক্লে




**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :** চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বরগী অহানবা চয়োলদগী কুকি-জো ফুরুপকী তোঙান-তোঙানবা খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু কোনশিল্লক্লিবা কে এন ও অমসুং য়ু পি এফকা নৌহৌননা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) গী খূৎয়েক পীনদুনা য়ান্নবা অসি চহী অমগী ওইনা শাংদোকহল্লকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা থা অসিগী ৬তগী হৌরদুনা ঙরাং ফাওবদা দেল্লীদা কে এন ও অমসুং য়ু পি এফকী মীহুৎশিংগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা নুমিৎ নীনি চূপ্পা মীফম পাঙথোকখ্রবসু হৌজিক লৈরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা শেম্বগী ৱাফম শৌগৎলোই হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোরকখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথখিবা মীফম অসিদা কুকি-জোগী মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু কোনশিল্লক্লিবা কুকি নেশনল ওর্গনাইজেশন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী মকোক থোংবা অমসুং মহুৎ শিনবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি। অদুগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মীহুৎশিংনা মিনিষ্ট্রি অসিগী নোর্থ-ইষ্টকী এদভাইজর এ কে মিশ্রানা লুচিংখি হায়রি।

অহানবা নুমিৎকী মীফমদা চহীসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৪দা মণিপুর ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# ‘ভোট চোর গাডি ছোর’গী সিগ্নেচর কেম্পেননদা মণিপুরগী মীওই লাখ ৪ হেনবনা খূৎয়েক পীখি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং লোক সভাদা ওপোজিশন লিদর ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা হৌদোরক্লুনা পার্টি অসিনা বি জে পি অমসুং মসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা চথরকখিবা ‘ভোট চোর গাডি ছোর’গী সিগ্নেচর কেম্পেন মণিপুরদসু এম পি সী সীনা শীন্দুনা চথখিবদা মীওই লাখ ৪ হেনবনা খূৎয়েক পীরকখি হায়রি।



ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা কেম্পেন অসি লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস প্রসিডেন্ট কে মেঘচন্দ্র এম এল এনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ইন্দিয়া পূম্বদা চথখিবা কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না মণিপুরগী চীং অমসুং তমদগী পূন্না সিগ্নেচর ৪,০৭,৪১১ খোমগৎপা ঙমখি। হায়রিবা মশীং অসি ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

# হেন্দলুম অমসুং টেক্সটাইলনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী থৱায় ওইরি : গভর্ণর

**নিলকুথিগী অর্বান হটতা মণিপুর ইন্টরনেশনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স-২০২৫) হৌদোকখ্রে**

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরকপদগী হেন্দলুম অমসুং টেক্সটাইল সেক্টর অসি মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী থৱায়নি হায়না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলসনা শীন্দুনা নিলকুথিগী অর্বান হটতা মণিপুর ইন্টরনেশনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স-২০২৫) বু অথোইবা মীথুংলেন ওইনা হৌদোকখিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা ফোঙদোকখিবনি।




মহাক্না হায়, ন ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# জেদ য়ু এফনা পোপি থাবগী লৌশঙশিং মৈ থাদোক্লম্লবা মতুংদা সিক্যুরিটিনা পোপি পান্মীশিং য়ান্থৎলুরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না কাংচুপ পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন ওইরবসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ঙমখৈগা তাইনরিবা লাংজোল অমসুং ৱাফোং খুলগা মায়োক্লবা সোংলুং খুলদা শারম্বা পোপি পান্মী থাবদা শীজিন্নবা লৌশঙশিং জে লিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) কী খূৎলায় পায়বা কাদরশিংনা মৈ থাদোক্লম্লবা মতুংদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা সোংলুং খুলগী একর ৫ রোম পাকপা মফমদা থারম্বা পোপি পান্মীশিং য়ান্থৎলুরে হায়রি।

ঙসিগী খোঙচৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ মরূগী তোক্লিং ৮, হার বোরা ৩, পোপি মরূশিং অমসুং পোপি থারিবা মফমদা শারম্বা লৌশঙ অহুমসু মৈ থাদোক্লম্বা থেংনরকখি হায়রি।



পনবা য়াবদি, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :** মথং থাগী ১দগী হৌরগা ১৯ ফাওবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম চথরগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহী ২০২৪দদি নোংজু মীফম অসি চহীদুগী নবেম্বর ২৫দগী হৌরগা দিসেম্বর ২০ ফাওবা চথখিবনি। অদুবু চৎলিবা চহীসিগীদি মথং থাগী ১দগী হৌরগা ১৯ ফাওবা চথগনি হায়রকপদা ওপোজিশন লুচিংবশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।

কোংগ্রেসকী জেনরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নবেম্বর ১২, ১৯৭৮ : অথৌবশিংগী নুমিৎতা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু




**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৪৭কী মমাঙ অদুগৈ কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর ১২দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেশনগী কোনবা কামেংগী লৈমরোকতা লৈবা অথৌবশিংগী কেম্প অমদা পুলিস অমসুং সী আর পি এফকী কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা কোইশিন্দুনা চথরকখিবা লান্দাদা লৈখিদ্রবা অথৌবা অহুমগী মফমদা মহৌশাগুম্না হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না লৈখিদ্রবা ভিক্টিমশিংগী ইমুং-মনুংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই দি পিশিংদা লুপা ১০০ পীরম্বদগী ৮৪দা হন্থহল্লকপদা খম থেংনা শাউনরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী থৌদোকশিংনা ভিক্টিম ওইহল্লবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাঞ্জেন্নরক্লুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগীদমক্তা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংবুদি আই দি পিশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকই অদুবু হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা আই দি পিশিংদা হান্না লুপা ১০০/১০০ পীবগী মনুংদা লুপা ২০ কল্লগা নোংমদা মীকোক্তা চেঙ গ্রাম ৪০০/৪০০ পীরগা শেল ওইনা লুপা ৮০ পীরম্বা অদুগী মহুত্তা দি বি টিগী খূথাংদা লুপা ৮৪/৮৪ ওইনা হন্থহল্লগা পীগনি হায়রিবা অসি য়ানীংদে অমসুং পেন্দে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

আই দি পিশিংগী অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমশিং পাঙথোরক্লিবা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মীতৈ ভিক্টিমস (কোপমেভ), মোরে, চুড়াচান্দপুর মৈতৈ য়ুনাইটেদ কম্মিটি (সী এম য়ু সী), মীতৈ কাউন্সিল মোরে (এম সী এম), মৈতৈ য়ুনিয়ন (কাংপোকপী) অমসুং ইকৌ, সদু য়েংখুমান, দোলাইথাবী, লৈতানপোকপী অমসুং মাইরেনপাৎনচিংবা ভিক্টিম খুলশিংগী এপেক্স কম্মিটি অমসুং তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়ট ভিক্টিম কম্মিটি (টি জি পি ভি সী) গী থৌপুবশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মখা তানা হায়, জুন ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ইম্ফালদা নেশনল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৫ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১২দগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টর অমসুং এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা ‘ত্রাইবেল ফ্রেমস মণিপুর : নেশনল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৫ কম ষ্টেট লেভেল ত্রাইবেল কার্নিভাল’ পাঙথোক্লগনি হায়না এদিশনেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ বাজপায়না সঞ্জেনথোংদা লৈবা ফোরেষ্ট হেদ ক্বার্টরগী মিনি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসি জন জাতিয়া গৌরব ভর্স থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। ফেষ্টিবেল অসিনা ত্রাইবেল সিনেমা, কলচর অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা




ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী ক্রিএটিভ এক্সপ্রেশনশিং হেন্না চাওখৎহন্নবা পান্দম থল্লি। ফেষ্টিবেল অসিদা মহারাষ্ট্র, ওড়িষা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদগী ত্রাইবেল ফিল্ম ২৩ উৎকনি হায়রি।

## দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ৩১

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩১ থেংনরে হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট-২০, ইম্ফাল ইষ্ট-৮, থৌবাল-১, ককচীং-১ অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা ১ থেংনবনি হায়রি।

ঙসি থেংনবা অনৌবা কেস ৩১ অসি হাপচিল্লগা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা লায়না অসিগী অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৪,৫৫২ শুরে।

## ডা. লোকেন্দ্রগীদা অমুক্কসু কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসনা কোল্লিবা উরিপোক্কী কামদেবো লৈরক্তা লৈবা ডা. লোকেন্দ্র য়ুম্নামগী য়ুমগী গেটতা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ অহুম কাপশিল্লম্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক লাইবক ফবদগী মহাক্কী ইমুংগী মীওই অমত্তা অশোক-অপন য়াওহৌদ্রে হায়রি। মহাক জে নিমসতগী রিটাইয়র্দ তৌরল্লবা মতুংদা হৌজিক্লা শিজ হোস্পিটালদা মখা তানা থবক তৌরল্লিবনি। থৌদোক অসি কনানা করি মরমগীদমক থোকহল্লম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

অদুবু মতম খরগী মমাঙদসু মহাক্কী য়ুমগী গেটতা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরূ অমা কাপশিল্লম্বগী থৌদোক থোকখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মায়োক্তা লৈকায়গী মৈরা পায়বী নুপীশিংনা মী কূংনা তাবা মফমদা অসিগুম্বা নোংমৈ কাপশিন্দুনা কিহন-খংহনবগী থৌদোক অসি মখা তানা তৌবীগনু হায়না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি।

# আই দি পিশিংগী অদু তৌনি, অদা তৌনি হায়জরবসু থবক ওইনা পাঙথোরক্ত্রবনিনা কোক ফাওবা ঙাওশিল্লক্লে : ইবেমহল

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
মোটবুং কোলেজ মমাঙদগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

রিলিফ কেম্পতা হৌজিক চহী অনী মখায় হেল্লক্লবা ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৭২ শুরবী নামৈরাকপম ইবেমহলনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিক ঐহাক্না লৈরক্লিবা লম্বোইখোংনাংখোঙগী মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্প অসিদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুংদগী লাঞ্জেল্লকখিবশিং অয়াম্বা লোইনা লৈমিন্নরি। মোটবুংদা মীতৈশিং মশীং য়াম্না লৈ অদুবু হৌজিক্লা অমুক রিলিফ কেম্পতা ওইনা লৈমিন্নরে।

মোটবুংদা লৈহৌবা ঐহাক্কী ইঞ্জোল অদু ইশাগী মিংদা পাট্টা তাদুনা লৈজবনি। মখোয়গী লমদা তাংদুনা লৈরকপা নত্তে। অসুম্মাইনা ঈরাং অসি থোরক্কনি হায়বসু থাজরুদবনা হান্নদগী মখোয়গা হরাও হরাও লৈমিন্নরকখিবনি। অদুবু খঙহৌদনা য়ুম মৈ থাদুনা মীতৈশিং তাম্থোরকপনিনা থৱায় হিংনবা চেল্লকপনি। লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩ অদুগী নুমিদাংদা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকপদগী ঐহাক্তি মোটবুংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা চেনশিন্দুনা অহিং অমা লেনখি।

মোটবুং কৈথেল অসি চয়োল অমদা অনীরক কাবনি। কৈথেল অসিদা অতোপ-অতোপ্পা মফমশিংদগীসু পোৎফম ফম্বা লাক্লে। ৱাংজিংদগী লাক্লগা পোৎ চৈ য়োল্লবসু য়াওই। ঐদি মোটবুং কৈথেলদা চাক হোটেল ফম্বনি। ঐনা শা থোংদবনিনা শা চাদবা মীওইশিংনা ঐগী হোটেলদা চাক চাবা লাকপদগী পোৎ য়াম্না শিংলি। অতোপ্পা শিনফম ওইরবসু মোটবুংদা লৈবদা শেন্থোক লম্বী ৱাংপা লৈতে। অদুবু হৌজিক চহী অনী মখায় হেন্না রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপদগীদি অৱাবা অমা ওইরে।

রিলিফ কেম্প অসিদা চহী অনী মখায় হেন্না হাউবা হাউতবা থিদনা লৈরল্লবনিনা হৌজিক্তি ইশাগী য়ুমদা হঞ্জিলহনবীরো। য়ুমদা নে তানা লৈজরুবা পাম্মী। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওইশিংনা মায়োক্লবা অৱাবা ময়াম অসিবু কনানা তাবীরিবগে হংলদুনা ঐখোয়না মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসি কনানা কোকহনবীগদগে হায়নসু হংলকখি।

হৌজিক লৈবাক্কীদমক অমসুং আই দি পিশিংগীদমক ঙাওলি-শক্লিবা ময়াম অসি থবক ওইনা তৌরল্লবা মতমদা খঙগদবনি অদুবু ঐগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা কনামত্তা থাজদ্রে। ঙাওলি-শক্লিবা পূম্নমক অসিসু তানীংলক্ত্রে হায়না ফোঙদোরকখি। (মথং-মথং)

## ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদা হুরানবা চঙলম্লে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈরিবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদা ঙরাং অয়ুক শকখঙদবা মীওই অমনা হুরানব চঙলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি লাইব্রেরি অসিদা খিনবা সী সী টিভি কেমেরাগী ফুটেজশিংগী মতুংইন্না ঙরাং অয়ুক পুং ৮দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা ওইগনি হায়রি।

শকখঙদবা মীওই অদু অমুবা মচুগী জোগিং শার্ট অমা লিংলি, তুপী উপ্পী অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## পোক্সো এক্ট ১সুং চাইল্ড মেরিএজ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):**

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড য়ুনিট অমসুং লৈঙাক্কী সোশল ৱেলফ্যের লোয়শঙনা শীন্দুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী আইলেন্দ ব্লোকতা লৈবা সোপলেং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা নোংমগী ওইবা পোক্সো এক্ট অমসুং চাইল্ড মেরিএজনচিংবগী মতাংদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসর রিনা চনু মোইরাংথেম অমসুং ষ্টেট এদোপ্টশন রিছোর্স এজেন্সীগী প্রোগ্রাম মেনেজর গ্যানি লক্ষ্মি থোঙামনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা এক্ট অনীসিগী মতাংদা শরুক য়াখিবশিংবু শন্দোক্লা তাক্তুনা ৱাখল্লোন তাহনখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা